থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# অফবা নৎত্রগা ফত্তবা থবক্কী মমল

নুংশি-নুংওন, অপাম-নুংশিগী ৱাখল/ফীলিং অদু ওইবা তাই 'রোমান্স' হায়বা ইংরাজি ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক। ইংলিস-মেদিয়ম-স্কুলদা তম্লক্তবা, ইংলিস লিটরেচর'দা মাষ্টর্স দিগ্রীসু পায়হৌদবনা ইংলিস-লোন'দদি ঐহাক য়াম্না শোল্লি হায়বসি ঐহাক য়াজে। পামজবদগী ইংলিস দ্রামা/নোভেল/এসে পাজরুবদুনা অমনি। ইনখৎলকপা মতম, লেংমান্নবী কয়া, উরু-খূদিং ঐগী ওইরবোই নীংলুবা, ৱাখলগী লৈকোলদুদা কোয়মীন্নরুবদু 'রোমান্তিসিজম' কৌই। খল্লম্লিবনি। মতমদুগী রোমান্স'না, মতম চঙনা ইরগা পীখিবা নুংশি-চিঠিদুগী পাউখুম ঙাইবা, পাউখুম-চিথি ফংল'তুং, কোরৌ নুমীৎ কয়ানি, 'তাৎ ওইরম্লবা ৱাহৈশিং'দু পারগা নোকফেৎ নোকফেৎ লেনখিবা মীকূপশিং! মাগী থম্মোয় ঙাওহন্নবা ৱাহৈ থিবদা ফমুংথক্তা অহিং কয়া থরো মাল্লো ওনখিবা! মতমদুদা থেংনখিবা, কাউঙমদ্রবা ৱাহৈ পরেং অমনি... 'তরু-তরু মখোল থোক্তনা চেনবা ঈশিং ঈচেলদগী, নূংপাক্তা য়ৈশিনবা ঈশিং ঈচেলদুনা ফজবা হেনবগুম, পুন্সিগী চৈনা-চৈথেং-অৱা-অনা কয়া মায়োক্লরবা পুন্সিদুনা, নুংঙাই য়াইফবা পুন্সিদগী ফজবা হেল্লি'...। করম্বা লাইরিক্লো কাউখরে রোমান্তিক নোভেল অমদা থেংনখিবনি। অঙাং ওইরিঙৈ তম্লকখিবা লাইরিকশিংদসু ৱারী কয়া য়াওরকখি-অচুম্বা চৎপা, অৱাবতনা মশরুক ওইবা নিংথৌশিংগী ৱারী। মপুন্সিদা অমুক্তসু ওইদবা ঙাঙখিদবা, অচুম্বা চৎপা নিংথৌ, বিশ্বামিত্র মুনিদা শক্তোকখিবা ৱাশক ঙাক্লবা, মরৈবাক অমদি সনা কোনুং অতোপ্পদা পীথোক্লম, ইমুং-মনুংগী মীওই পূম্নমক্কা লোয়ননা মশামকপুসু মীনাই ওইনা য়োন্থোকখি। অচুম্বগীদমক অৱাবা কয়া মায়োক্লরবসু, অমুক্তসু মথৌনা হনখিদে। কাইনথংদা, লাইরৈবাক্কী লাইয়াম্না লৈ খীকথরক্তুনা থৌজাল পীখি হায়। প্রাইম মিনিষ্টর 'মোদি'সু স্কুল তম্লিঙৈ শান্নখিবা দ্রামা অমদা 'নিংথৌ হরিশচন্দ্র' শারুবদগী তোঙানবা মী অমা ওইরকখি হায়। বিষ্ণু ভক্ত ধ্রুবসু মখোঙ নামখক্তা লেপ্তুনা 'ওম-নম: নরায়নায়' হায়দুনা তপশ্য তৌখিবগীদমক পেনবীরদুনা বিষ্ণু মশামক চোংথোরক্তুনা 'ধ্রুব-তারা' (পোল-ষ্টার) ওইনা, লম্মুক্লরবা মীয়ামগী লমজিং-মৈরা ওইনা মূৎনায়দনা লৈহৌনবা বর পীরমখি হায়। জাতিগী মপা গান্ধী'সু অচুম্বনা ফিদম ওইবা পুন্সি অমা চাংয়েং ওইনা লেল্লম্লগা, অৱাবতনা মশরুক ওইদুনা পুন্সি পীখম্নখি।

লোইনাইদ্রবা ৱারী কয়ানি। অফবা অমসুং অচূম্বা থবক তৌব'সি নুংঙাইবা মশরুক থুংদবা, অৱাবতনা মশরুক ওইবা পুন্সি অমা লেল্লি হায়বসি অঙাং ওইরিঙৈগী নৌরিবা কোক অদুদা হাপচিল্লকখি। পাপকী লম্বীদা চৎপনা তরু-তরুবা, অয়েৎ অথিং লৈতবা, লৈ চাইরবা অনানবা লম্বী, অফবা থবক তৌরগা পুন্যগী লম্বীদা চৎপনা তিঙ্খং তুম্নৌতনা থল্লবা লম্বী। কনানা করম্বা লম্বী পামগদগে? করম্বা লম্বীদা চৎনরিবগে? পাউখুম অমুক ঙাইখিসিরা! স্কুল, কোলেজ তম্লিঙৈ, অফবা মহৈরোয়-চাংয়েং পরিক্ষাদা মকোক-মথং তাবশিং, মথৌদা পূক্লিং চঙদুনা লাইরিক কন্না পারিঙৈ, হরাও-কুম্নদা খোয়জঙদে, অকে-অমৌ থওইদে, শান্ন-খোৎন' তুংওইনৈ। অতোপ্পা মহৈরোয়শিংদুনা নুংঙাই-য়াইফ, ঈরাং ফলাংদা তাউরিঙৈ, শান্নবদা ঙাওরিঙৈ লাইরিক মনাক নকহৌদে। ইথোক্লবা পাউজেল ওইনা থম্লমদ্র'সু, 'সিমদি য়াম্না ময়েক শেংই মদুদি ৱারীশিংসিনা ঐখোয়দা হায়নীংলিবা পাউজেলদি.... 'অচুম্বা, অফবা থবক তৌরবদি অৱা-অনা মায়োক্লে, মিংচৎ অদু নত্তনা নুংঙাই য়াইফদি ফংঙল্লোই'... হায়বা পাউজেল অসিনি। পাউজেলসিগী সিগ্নিফিকেন্স ঙসিগী তাইবংদা লৈরিবরা? নৎত্রগা, মাঙখ্রবরা? অচৌবা ইস্যু অমনি।

পাপ লঙশিনগনি কিজবা, ওইদবা ঙাঙদবা, অচূম্বা চৎপা মী-ঙসিগী তাইবংসিদা লৈতবদি নত্তে, লৈ। মীনা থওইবীদনা, অঙাওবা অমগুম ইন্থোক্তুনা থম্বী। কনানসু শকখঙবীদনা মদোম তুমীন লৈরম্বদু শকখঙলকপা নুমীত্তা, 'ওহ! পাম্মুইদা, মহাক লৈত্রবোইরে'... হায়না শোন্নবীবা, মাগী মিতমদা লৈ খুজোক অমা কৎপীবা! মদুনি, লাইরৈপাক্কী লাইয়াম্না, নোংথক্তই লৈ চাইথরক্তুনা ওকপীবা হায়বদো। অদুগা, ওইদ-পাদ, তাৎ-পাৎ, নমথাক্তনা পাম্বে ওই', পাপগী লম্বীদা চৎখিবা মহাক্তুনা, মমল য়াম্বা সনা-লুপা, লন-থুম, নুংঙাই-য়াইফ, মশরুক ওইনা খূদক্তা! প্রক্টিকেল ওইনা উরবা মোদর্ন ওইবা পাউজেলসিনা ঙসিগী মীরোল অসিবু করম্বা লম্বীদা লমজিংবগে? ইখুৎসিনা ইনীংদ্রে। শিরগা ফংবা রিৱার্দ/এৱার্দ, কনানসু ফংনীংদ্রে। শিরবা মতুংদা শোন্নহৌবা মিংচৎ, কনানসু পাম্নদ্রে। লুরিবসি সিদনি। মীৎনা শংশং উবা 'মনা', নাকোংনা তশেংনা তাবা 'মীনা শোন্নবা মিং'-হিংলিঙৈদা উনীংবা, হিংলিঙৈদা তানীংবা মীগী মীরোলদুনি।

অফবা থবক তৌবা মী, লাইরৈবাক্তা (লাইশিংগী দরবারদা), লাইরৈবাক্কী নিংথৌনা তরাম তরাম ওক্কনি, মনা চাউনা পীগনি-অফবতা তৌ, থৱায় পানবশিংবু নুংশিয়ু। ফত্তবা থবক তৌবা মীসু, লাইগী লৈপাক অদুদা তমথীবা চৈরাক ফংগনি, লেম্না থারোই অমত্তা, ফত্তবা তাগনু, ফত্তবা য়েংগনু, ফত্তবা তৌগনু। অশিংবা মীনা অপঙবা মীদা পীরম্বা পাউজেলনি। অপঙবা মীনা পাউজেলদু তারগা হায়রকই... 'তরাম্না ওক্লগা অচৌবা মনা পীবসু, তমথীবা-অহকপা চৈরাক পীবসু- অনীমক লাইরৈপাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম ঙাক্তনি, থৌরম অদু য়াওননবা ঐখোয়, তঙায়ফদনা শিবা হায়বদুমদি মথৌ তারি... শিরগা ফংবা চৈরাকপু ঐনা করম খঙলুনি, হিংলিঙৈদা নুংঙাইথোক্কে'...।

অদুবু, বুদ্ধিষ্ট ফিলোজোফিনা হায়রিবা ৱাসিমসু নীংশিংলুবা কান্ননি- 'অঙাংনা অচাকপা মৈনি খঙদদুনা মখূৎনা পায়গে হোৎনরুবদা মখূৎ-মৈনা চাকপদুবু কনানা পীবা চৈরাকনো'! পাপ করিনো ? পুন্য করিনো? অৱাবা করিনো? নুংঙাইবা করিনো? তাক্লুগদবা নত্তে অতোপ্পনা। মনা নৎত্রগা চৈরাক-পীরিবদি অতোপ্পনা নত্তে, মহাক মশা মথন্তননি।

লৌশিং পুক্কে

# ফিক্স দোজ কম্বিনেসন দ্রগ ৩৫০

## থিংজিনখ্রবা মতুং অতোপ্পা দ্রগ ১২০০সু অথিংবা থম্লবা য়াই



হকচাং শোক্লিংঙাই ওই হায়বগীদমক য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হীদাক ৩৫০ অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা হীদাক ১২০০ রোমসু অথিংবা থম্নবা থৌরাং লৌখৎলি। হীরম অসিগী মতাংদা দ্রগ কন্ট্রোলর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি জি সী আই) না ফিক্স দোজ কম্বিনেসন (এফ দি সী) দ্রগ ১২০০ গী সেম্পলশিং সেন্ট্রেল দ্রগস ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (সী দি এস সী ও) দা থাদুনা চাংয়েং তৌহনখ্রে।

ফিক্স দোজ কম্বিনেসন নৎত্রগা এফ দি সী দ্রগ হায়বসি শুপ্পগী গুলি অমখক্তা তোঙান তোঙানবা ফার্মাস্যুটিকেল ইগ্রিদিয়ন্ট অনী নৎত্রগা মসিগী হেন্না য়াওবা হীদাকশিংবুনি। অকক্লবা চাংদা তোঙান তোঙানবা মচল কয়ামরুম পুনশিল্লগা শেল্লকপা এফ দি সীশিংদা কোদিন কৌবা ব্রেনদা কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা পোৎলম অমসু য়াওই হায়রি।

কৈথেলদা মরাং কায়না ফংলিবা অমসুং ডোক্তরগী প্রেসক্রিপসন য়াওদ্রবসু লৈবা য়ারিবা এফ দি সীশিং য়েংশিলহন্নবগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা কম্মিটিগী চ্যেরমেন সী কে কোকাটেনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা কম্মিটিনা এফ দি সী ৬,৬০০ লোম য়েংশিনখ্রে। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা হীদাক ৩৫০ অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা অতোপ্পা হীদাক খরসু অথিংবা থম্নবা থৌরাং তৌরি। থা ৬ কী মনুংদা সেন্ট্রেল দ্রগস ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (সী দি এস সী ও) না বেন তৌরবা হীদাকশিংগী লিষ্ট অমা থাদোরক্লগনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা তোঙান তোঙানবা মিংথোল শীজিন্নরগা য়োল্লকপা হীদাক ৩৫০ অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা ১২০০ সু বেন তৌবা য়ানা লৈরে হায়না দ্রগ কন্ট্রোলর জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

সেন্ট্রেল দ্রগস ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসনগী রিপোর্ট মতুংইন্না ফিক্স দোজ দ্রগ খুদিংমক তোঙান তোঙানবা মিংথোল ৫/১০ পীরগা তোঙান তোঙানবা ফার্মাস্যুটিকেল কম্পেনিশিংনা য়োল্লি। মরম অদুনা অনৌবা থৌরাং অসিগী মখাদা হীদাক ১২০০ রোম বেন তৌবা য়ানা লৈরে।

অমরোমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী য়ুনিভর্সিটি ওফ বর্ন্সনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না পেনকিল্লর দ্রগ অয়াম্বদা মরুওইবা মচল অমা ওইনা য়াওরিবা পেরাসিটামোলনা অরথ্রাইটিসকী চৈনাখোল হন্থহনবা ঙমদে হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী ডা. স্বেন ট্রেলনা হায়খি, হীরম খরদা পেরাসিটামোলনা চৈনাখোল ফাথবা ঙল্লবসু ওষ্টিওঅরথ্রাইটিসনা মরম ওইদুনা খুউ তাঙ অমদি ফৈগল নাবা ফাথনবগী মতাংদা থোইনা কান্নবা ফংদে। কুমজা ১৯৮০ অমসুং কুমজা ২০১৫ গী মরক্তা চত্থখিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টদি ৭৪ গী দেটা কুপ্না নৈনরবা মতুংদা পেরাসিটামোলনা অরথ্রাইটিসকী চৈনাখোল ফহনবদা থোইদোক্লা কান্নবা পীদে হায়বা খঙলকপনি।

ওষ্টিওঅথরথ্রাইটিসনা নারবা মীওই ৫৮৫৫৬ পু কাঙলু অনী থোক্লা খায়দোক্লগা কাঙলুপ অমদা পেরাসিটামোল পীজরগা অতোপ্পা কাঙলুপ অমদনা নন-ষ্টেরোইদেল এন্টি-ইনফ্লেমেটরি দ্রগ (এন এস এ আই দি) পীজরম্মী। মদুদা পেরাসিটা-মোলনা ওষ্টির অরথ্রাইটিসকী চৈনাখোল ফাথবা ঙমদে হায়বা খঙলকখিবনি। অরথ্রাইটিসনা মরম ওইরদুনা তাঙ-তাঙ চিকপা, নাবা ফহন্নবগীদমক্তদি নন ষ্টেরোইদেল এন্টি-ইনফ্লেমেটরি দ্রগ (এন এস এ আই দি) না ফবা হেল্লি। অমরোমদা তোঙান তোঙানবা ফার্মাস্যুটিকেল কম্পেনিশিংনা পুথোরক্লগা ডোক্তরগী প্রেস্ক্রিপসন য়াওদ্রবসু য়ারিবা হীদাক (ওভর দ কাউন্টর দ্রগ) শিং কয়া য়াম্না ইফেক্টিভ ওইরিবগে হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক অখঙ অহৈ কয়ানা মালেমগী থাক্তা থিজিন হূমজিনবগী থবক চত্থরি।

ইন্দিয়াগী ওইনসু য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফিক্স দোজ কম্বিনেসন (এফ দি সী) দ্রগ ৩৫০ হকচাং শোক্লিংঙাই ওই হায়দুনা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা হীদাক ১২০০ রোমসু কুপ্না য়েংশিনবগী থবক পায়খৎলি।

অথিংবা থমখ্রবা হীদাকশিংগী মনুংদা লোক খুবা ফহন্নবনি হায়দুনা পুথোরকখিবা কোরেক্স অমদি ফেন্সিদ্রাইল মমিং পনবা য়াই। হায়রিবা হীদাক মখলশিং অসিদা মরুওইবা মচল অমা ওইনা য়াওরিবা কোদিননা ব্রেনদা কা হেন্না অমাঙ অতা থোকহল্লক্কদবা মরম্না অথিংবা থমখিবনি হায়রি। মতৌ অসুম্না হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা হীদাক ৩৫০ অথিংবা থম্নবগী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা গেজেট নোটিফিকেসন ফোঙনবা থৌরাং তৌরি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# এ এ এম ৱাই এনা এজেন্দা অনীদা য়ুম্ফম ওইরগা মীফম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচ এন এস): ওল অসাম মণিপুরী য়ুথস এসোসিএসন (এ এ এম ৱাই এ) প্রেসিয়স দে ২০২২ (মে ২১,২০২২) অমদি ওল অসাম মণিপুরী পিপলস কনভেন্সন ওন পোলিটিকেল ওটোনোমি ২০২২ ৱিথ দ ওনরেবল সী এম মণিপুর এন বিরেন এজ চীফ গেষ্ট হায়বা এজেন্দা অনীসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ঙসি সিলচরদা লৈবা এ এ এম ৱাই এগী হেদ ওফিসতা পাউগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

পাউগী মীফম অদুদা এ এ এম ৱাই এগী চীফ এদভাইজর ক্ষেত্রিময়ুম কুন্দলনা ফোঙদোকখিবদা, অসামদা মৈহৌরোলদগী হৌনা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরকখ্রবা মণিপুরী (মৈতৈ)শিংগী তোঙানবা তোপ-তোপ্পা মণিপুরী ওটোনোমস কাউন্সীল (সেটলাইট ষ্টেচ্যুটোরি ওটোনোমস কাউন্সীল) অমা পীবীনবা হায়খিবদা অসাম গভর্ণমেন্টনা পীগনি হায়দুনা কয়ারক হন্না থাজবা পীরকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপীরক্ত্রে। মরম অদুনা লাক্লিবা চহীসিগী মে ২১দা অসামদা লৈরিবা মৈতৈশিংগী ওইবা অপূনবা মীফম অমা অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন অমসুং ওল অসাম মণিপুরী ৱিমেন মৈরা পায়বী কোওর্দিনেসন কম্মিটি অমদি তোঙান তোঙানবা লূপশিংগী ওইবা সী এস ওশিং য়াওনা পুন্না অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন মশামক লাক্লগা মীফম অদুদা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে। মীফম অদুদা অসামগী মরুওইবা মিনিষ্টরশিংসু শরুক য়ারদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা পুন্না খন্ন-নৈনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি সিলচরদা লৈবা এ এ এম ৱাই এগী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা ওল অসাম মণিপুরী য়ুথস এসোসিএসন (এ এ এম ৱাই এ)গী চীফ এদভাইজর কুন্দল ক্ষেত্রিময়ুম, এক্টিং প্রসিদেন্ট রবি লাইশ্রম, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট রোমেন লুৱাং, ভাইস প্রসিদেন্ট অনিল খোনদ্রাম, এদভাইজর ইন-চার্জ রাজেশ হোদাম্বা, ৱার্কিং জেনরেল সেক্রেটরি নোংপোকঙানবা, জুনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট দেবিদ খুমন অমদি ফোর্মর প্রসিদেন্ট রোসন ইরোমসু শরুক য়াখি।

পাউগী মীফম অদুদা এদভাইজরনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী কবো ভেলি অমদি অসামদা তীনখিবা বরাক ভেলি অসি মণিপুরদা পুন্না লৈরম্লগদি মণিপুরগী রেভিন্যু অসি অসুক্কী মতিক ফরমগদবনি। মপাঙ্গল কল্লবা মণিপুরগী থৌনা মরিংজেল অসি নমথনবগীদমক বৃটিশকী থৌওইশিন্না মরম ওইরগা মচেৎ-মচেৎ য়েন্থোকখিবনা ঙসিদি মৈতৈ হায়রিবা ফুরুপ অসি মরাই চাইথরকপনি। ওল অসাম মণিপুরী য়ুথস এসোসিএসন (এ এ এম ৱাই এ) অসি কুমজা ১৯৬৪দা ফোঙখ্রবা মতুংদা কুমজা ১৯৬৯দা কনভেন্সন অমা পাঙথোকখ্রে। এসোসিএসন অসিনা পীশিনখিবা দিমান্দশিং অদু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবনা মরম ওইরগা চৎলিবা চহী অসিগী মে ২১দা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা অসামদা পাঙথোক্লবা মতুং অমুক্তসু থোকখিদ্রিবা অচৌবা মখল মখা কয়াগী খোঙজং ওল অসাম মণিপুরী য়ুথস এসোসিএসন (এ এ এম ৱাই এ)গী থৌমীশিংগা লোয়ননা অসামদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সী এস ওশিং অমদি মৈতৈ ফুরুপশিংগা পুন্দুনা অমত্তা ওইনা হায়রিবা খোঙজং অসি চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯।০৪।২০২২ ইং, ইরাই;
শজিবুগী ২৯ নি পানবা।

**মেষ:** ঙসিসু নুংঙাইফম খংদবা, চিংনবা, পাইরক্কী লৌশিং শোনবা অমদি অরেম্বদা চরাংনবনা নরল ময়েং তাবা য়াবা লৈ। শাজৎ হৈয়ু, অনৌবা থৌরম পাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**বৃষ:** হোয়া ফবনা চাওনা কান্নবা অমদি অনিংবা থবক্তা থৌনা-লিংজেল ফুদোকপসু মতাং চাবা লৈ। মতাং চাই-চাদে খংদনা অনম তানবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মিথুন:** লাংতক্লবা অমদি য়েৎনববু য়াওরুদ্রদি মায়থিবা লৈরোই। ৱাখল থোকপনা থৌপাঙবা লায়হনগনি, হান্না য়াৎথোকখ্রবা থৌরম পাঙবদি মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** পল্লম্বা শেলথুম অমদি মীয়ামগী মতেং ফংগদবা নুমিৎনি। অরুবা থবক্তা নাইতোমদি পাঙদবা ফৈ। হেন্না খুৎ চাওবনা মাঙজবনা হেনগনি, মীৱা থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লান্দবনা নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** ৱাবা খরা লৈরসু নক্লবশিংগী মতেং লৌবা অমদি খোঙফম হোদবনা মায় পাক্লবগী লম্বী ওইগনি। ঙসি মীয়াম্না য়াই অমদি মখোয়গী মতেং লৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা অমদি মতাং চানা থৌনা ফুদোক্লা থৌ পাঙগদবা নুমিৎনি। ৱাঙাং হৈতবা অমদি অঙম্বগা মুক্লবনা মাঙজগনি-ৱা ঙাংবদি হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**তুলা:** ঈকাই খুম্নবা ফংগনি, পাঙনিংবা থবক কায়দনা পাঙবা ঙমজগনি অমদি শেন্দোং তানবসু চাওনা কান্নগনি। মফম/মরুপকী লমদা য়েৎনবা লৈরসু শাফরনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** অঙম্বনা মতম মাঙহনবা অমদি নীংবা মপা চাদবা লৈগনি। অদুবু ইমুং মনুং অমদি মীয়ামগী মতেংদি ফংজগনি। অরাপ্পদগী মতেং লৌবসু মতাং চাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অফবা মরী লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** থৌনা ফুদোকউ অমদি নচা-ননাই লোইনবা চাওখৎকনি। অঙম্বনা অচানবা কায়নহনবা অমদি নাইতোম থৌপাঙবা লুবদি লৈ। অনৌবা থবক থৌরম পাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা তাশিনবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মকর:** ৱা য়াম্না ঙাংবদি চোপকনি অমদি অঙম্বনা য়েংশিনবা লৈ-কাওগনু। হান্নগুম খাঙবা কনবা, থিবা হুম্বা কনবা অমদি অশাওবা ফাথবনা নরল কনজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ওইজবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কুম্ভ:** থাজদবা মরমদগী ঙসিসু ওইজ-ওইথক শোয়দনা ফংজগনি, লৌশিং ফুদোক্লদি নচাক নরল হেন্না চাওখৎহনবা ঙমজগনি। য়েৎনবনদি কায়নগনি-কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং ইচা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন:** নীংবা থুংগনি, ৱাখল নুংঙাইগনি, শেন্দোং য়াম্না লৈ, মীয়াম্না পাম্নবা অমদি লৈতেংনচিংবা ফংবগী নুংঙাইবা নুমিৎনি। নোল্লুক্লা চৎপনা নচাক নরল কনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# মতমনা চিকথৎলি হকচাং

## থৱান



